# দেভিদকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জলনা চেম্প এফ সী ৱিন্নর ওইখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস):**

ৱাই দি সী সী এম এল অমসুং সাউদর্ন ইম্ফাল কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো) অনীনা শীন্দুনা হাওবম মরক লৌরেম্বম লৈকাইদা লৈবা সিকো গ্রাউন্দদা চথুরকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল এস দি পি ও চিংথাম অনন্দকুমার মেমোরিএল ৯-এসাইদ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর চেম্প এফ সীনা ওইখ্রে।



ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা চেম্প এফ সী অমসুং এম পি এস সীগী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্নখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৩৯শুবা মিনটতা চেম্প এফ সীগী এস দেভিদনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুবু এম পি এস সীগী ওইনা মেটচ লোইবা ফাওবদা ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু চেম্প এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

চথুরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা বেষ্ট গোলকীপরগী টাইটলনা চেম্প এফ সীগী এন জি ইনাও, বেষ্ট দিফেন্দরনা এম পি এস সীগী কে ঐচ বোনোমালি, বেষ্ট মিদফিল্ডরনা চেম্প এফ সীগী এস ধরমজিৎ, তোপ স্কোররনা এম এল ও এফ সীগী কে ঐচ মনাওবা, বেষ্ট প্লেয়রনা এম পি এস সীগী কে ঐচ রাজেন খা-ঙানবা অদুগা বেষ্ট ষ্ট্রাইকরনা কে ঐচ রোমেননা তাখি। অদুগা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা এস দেভিদনা তাখি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, ফোরেষ্ট মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎ, ৱর্ক্স মিনিষ্টর কোন্থৌজম গোবিন্দাস, লংথবাল এ সীগী এম এল এ করাম শ্যাম, নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এম এল এ এস কেবী অমদি অনন্দকুমারগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।




# মণিপুরনা মহারাষ্ট্রবু লাকচনা পাঞ্জল ৬-১দা থোইখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস):**

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশনগী মীৎয়েং মখাদা চথুরিবা ২৯লকশুবা সিনিয়র ৱিমেন্স নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ট্রোফি ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি মণিপুর অমসুং মহারাষ্ট্রগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মণিপুরনা পাঞ্জল ৬-১দা মহারাষ্ট্র মায়থীবা পীখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈবা আর কে এম আশ্রমা গ্রাউন্দদা ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবদগী হৌরগা মণিপুর অমসুং মহারাষ্ট্রগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ১০শুবা মিনটতা দাংমৈ গ্রেসনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা ১৪শুবা মিনটতা নাওরেম প্রিয়াঙ্কানা মণিপুরগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহারাষ্ট্রদগী পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৫৭শুবা মিনটতা মহারাষ্ট্রগী সুমায়া শৈখনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুমওইনমক বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা মণিপুরনা মখা তানা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৬৩ অমসুং ৭২শুবা মিনটতা নাওরেম প্রিয়াঙ্কানা মহাক্কী হেটট্রিক ওইগদৌরিবা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অদুগা ৭৪ অমসুং ৮২শুবা মিনটতা হেমাম সিল্কি অমসুং অসেম রোজানা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। মহারাষ্ট্রগী ওইনা মেটচ লোইবা ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু মণিপুরনা পাঞ্জল ৬-১দা মায় পাকখিবনি। থা অসিগী ১৪দা মণিপুরনা ওরিষ্যাগা লম্বা তৌনগনি।


# নেশনল মুইএ থাই চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস):**

য়ুনাইটেদ মুইএ থাই এসোসিএশন, ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ওল ত্রিপুরা মুইএ থাই এসোসিএশননা য়ূম্বু ওইরগা থা অসিগী ১৮দগী ২১ ফাওবা অগরটালাগী এম এস আর সী সী বোক্সিং ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা নাই খানোং টোম কপ ওল ইন্দিয়া ইনভিটেশনেল নেশনল মুইএ থাই চেম্পিয়নশিপ ২০২৪দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে।

মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবগীদমক খনখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি য়ুঠ (চহী ১৬-১৭)কীদা এল অদিত্য, গোলমৈ গাইখমলুং কবুই, হোনিশ ৱাংখেম, টি ঐচ বির্জিৎ, কে জিরনকুমার, টি ঐচ পঞ্জুম্বা; অন্দর ২৩গীদা রেনিসন এল, সংঙাইলুং গোলমৈ; ইলিটকীদা এস লময়ানবা, ৱাই শিবাজি, এস মোরাম্বা, টি ঐচ চিতনজয়, এন জেমস, কে চিঙ্খেল্হুনবা; প্রো ফাইট নাইটকীদা য়াইমা লাই, এ তোন্দোনবা অমসুং জেনিশতা এননি। অদুগা ওফিসল ওইনা য়াওগদৌরিবশিংনা টিম মেনেজরদা জিমস এস ঐচ, টিম কোচ ওইনা মারেমপু গোলমৈ, রেফরিশিং ওইনা দল্লিয়ু রিওনা চনু অমসুং থোই চনুনি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1334**

**Ivan Saric (2690) - Ian Nepomniachtchi (2770)**
**SuperUnited Blitz 2023 Zagreb CRO, 2024.07.13**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 |
| 5.Nc3 a6 | 6.Be3 e5 | 7.Nb3 Be7 | 8.Rg1 b5 |
| 9.g4 Bb7 | 10.Qd3 b4 | 11.Nd5 Nxd5 | 12.exd5 O-O |
| 13.g5 Nd7 | 14.O-O-O a5 | 15.Nd2 Qc7 | 16.Kb1 Rfc8 |
| 17.Ne4 a4 | 18.Bh3 Ba6 | 19.Qd2 b3 | 20.cxb3 axb3 |
| 21.axb3 Qb7 | 22.Nf6+ Bxf6 | 23.gxf6 Qxb3 | 24.Rxg7+ Kh8 |
| 25. … | | | |

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1333 Solution :**

**31. Rd7** The white rook moves out of the pin by Black's queen against White's queen. **Bxf3+ 32.Kg3**

32.Kh2 Qb8 33.Rxd8+ Qxd8 34.Qxf3 Qd2+ 35.Kg3 35.Kg1

**32. ...Qb8 33. Rxd8+ Qxd8 34. Qxf3**

34.Kxf3

**1-0**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com